www.sanaleibak.in

ꯁꯅꯥꯂꯩꯕꯥꯛ SANALEIBAK — PROGRESSIVE JOURNALISM — সনালৈবাক

24 Carat/g : ₹ 15,458 | 22 Carat/g : ₹ 14,305 | 1 Kg Silver : ₹ 2,45,000 | 10 Gram Silver : ₹ 2,450 | WEATHER: Clear | Temperature 30/21°C | Sunrise: 04:56 AM | Sunset : 05:29 PM | Petrol : ₹ 106.87 | Diesel : ₹ 92.57 | GAS TODAY Nill | sanaleibakdaily

Volume No: 50 Issue: 274 | IMPHAL, MONDAY, SEPTEMBER 14, 2026 | মালিয়াফম পালচা কুমশীং ৩৪২৪–২৫ | নিংথৌকাবা, লাংবনগী ৩ নি পানবা | RNI Regd. No. 31350/77 | PAGE : 8 | Price: ₹ 5.50

## চীংমৈরোংগী মাজো হব মমাঙদা বোম পোকখায়খ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৩(এস এন এস)ঃ চীংমৈরোংদা লৈবা মাজো হব দুকান মমাঙদা ঙসি নুমিদাংৱাইরম বোম পোকখায়খ্রে। বোম পোকখায়বা অদুদা অশোক অপন অমদি মীশি মীনাদি য়াওখিদে। হৌজিক ফাওবগী ওইনা বোম অদু কনানা অমদি করিগীদমক পোকখায়হল্লম্লিবনো হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। বোম পোকখায়রে হায়বগী পাউ হেক ফংবগা সেক্যুরিটিগী কাংবু চঙশিল্লক্তুনা য়েংশিনখ্রে।

## লানদা শীজিন্নগদবা খুৎলায়শিং ফংখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৩(এস এন এস)ঃ চান্দেল পুলিস অমদি অহানবা এ আরগী অপুনবা টিম অমনা থিবা–হুম্বা চখবদা মোলচাম পুলিস ষ্টেসনগী মনুংচনবা বোর্দর পিলর ৫৩ অমদি ৫৪ গী মফমশিংদগী লানদা শীজিন্নগদবা য়াম্লবা খুৎলায় ফংবা ঙমখ্রে হায়রি।

পুলিসকী রিপোর্ট অসিগী মতুং ইন্না অপুনবা টিম অদুনা ফংবা ঙমখ্রবা খুৎলায়শিং ...মখা লমায় ৫দা...

## প্রমুখ নাগরিক গোষ্ঠিগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৩(এস এন এস)ঃ রাষ্ট্রিয়া স্বয়ম সেৱক সঙ্ঘ (আর এস এস) বিষ্ণুপুর বিভাগনা শীন্দুনা নিংথৌখোংগী গোপিনাথ মন্দিরগী গেষ্ট হাউসতা নোংমগী ওইবা প্রমুখ নাগরিক গোষ্ঠি ঙসি পাঙথোকখ্রে।

সঙ্ঘগী বিষ্ণুপুর বিভাগকী মনুং চন্না লৈবা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লাকপা খুন্নাই অসিগী মরুওইবা মীওই ৫০ রোম্না শরুক য়াখিবা থৌরম ...মখা লমায় ৫দা...

## হিন্দি দিভসকী থৌরম হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৩(এস এন এস)ঃ মণিপুর রাষ্ট্রভাষা প্রচার সমিটি ইম্ফালনা শিন্দুনা নুমীৎ নীনি চুপ্না চখগদবা হিন্দি দিভসকী থৌরম পাউনা বাজারদা লৈবা সমিটি অসিগী ওফিসতা ঙসি হৌদোকখ্রে।

হিন্দি দিভস হৌদোকপগী থৌরম অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী হিন্দি দিপার্টমেন্টকী ঐচ ও দি প্রোফেসর অখিলেস কুমার শঙ্খধর, রিটায়র্দ দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন জজ, মণিপুর রাষ্ট্রভাষা প্রচার ...মখা লমায় ৫দা...

# তম্পাক্তা খরমখৈ ইংলবসু চীংদদি মৈ কন্না চাক্লি থৌদোক ২দা কুকি ৪শিখ্রে, নাগাগী য়ূম ৪ মৈ থাখ্রে

তোলেন অমদি লোংপি য়াওনা অকোয়বদা লৈবা মফমশিংদা বন্দ হৌখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৩(এস এন এস)ঃ মণিপুরগী তম্পাক্কী লমশিংদা পামদবা থৌদোক থোকপগী চাং খরমখৈ হন্থরে হায়রবসু চীংদা থোক্লিবা কুকি অমসুং নাগাগী ইরাংদি নোংমা নোংমগী হেনগৎলক্লি।

ঙসি তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা মফম ২দা থোকখিবা নোং মৈ কাপ্পবগী থৌদোক্তা পুন্না মীওই ৪ শিখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট অসিমক্কী মখা বস্তিদা নাগা ফুরুপকী য়ূম ৪ রোম মৈ থারম্লে।

ঙসি অয়ুক অঙনবা পুং ৪ রোম চৎপা অদুৱাইদা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট তৌশেম সব–দিভিজনগী মনুং চনবা এল তোলেন খুলদা শকখঙদবা খুৎলায় পায়বশিংনা এটেক্ট চখরকপদা খুল অদুদগী কুকি ফুরুপকী মতৌ–মনাও লৈখিদ্রে। পীক্লিবা মচা শোকপদগী লায়কন্নরি। শকখঙদবশিংনা এটেক্ট চখরক্তুনা মীওই ৪ হাৎখিবগী থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা তোলেন অমদি লোংপিগী অকোয়বদা কুকিশিংনা বন্দ তৌবা হৌখ্রে। ঙসি নুংথিল পুং ৪ রোম তারকপদা ...মখা লমায় ৫দা...





## মায়কৈ কয়াদগী কন্দেম তৌনরক্লি

*ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৩(এস এন এস)ঃ ঙসি তমেংলোংদা খুৎলায় পায়বশিংগী এটেক্টতা মীওই ৪ লৈখিদবা থৌদোক মায়কৈ কয়াদগী কন্দেম তৌনরক্লি।*

*ঙসিগী থৌদোক অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা এল তোলেন ভিলেজ ওথোরিটিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ঙসি তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী এল তোলেন খুলদা অয়ুক অঙনবদা চখরকখিবা ...*মখা লমায় ৫দা...

## সি এম খেমচান্দনা পেন্দবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৩(এস এন এস)ঃ তোঙান তোঙানবা থৌদোক অনীদা মীওই ৪ লৈখিদবা অদুগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দনা পেন্দবা ফোঙদোরকখ্রে।

তমেংলোং...মখা লমায় ৫দা...

# লৈঙাক্কী লোয়শঙশিং থোঙ লোনশিনবগী খোঙজং হন্দোকপিয়ুঃটি ঐচ রাধেশ্যাম

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৩ (এস এন এস)ঃ এন আর সি অমদি সেন্সসকী খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা জে এফ দিনা চখরিবা লৈঙাক্কী লোয়শঙশিং থোঙ লোনশিনবগী খোঙজং অসি হন্দোকপিয়ু হায়না মণিপুর লৈঙাক্কী স্পোক্স পার্সন এম এল এ থোকচোম রাধেশ্যামনা খোঙজং চঙশিল্লিবশিংদা আপিল তৌখ্রে।



হিরম অসিগী মতাংদা ঙসি চীফ মিনিষ্টর সেক্রেটরিয়েটকী দরবার হোলদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা এম এল এ টিঐচ রাধেশ্যামনা হায়, মীয়াম্না পাল্লিবা কুমজা ১৯৫১ না বেজ ইয়ার ওইদুনা এন আর সি অপদেসন তৌহনবা হায়বা ৱাফম অসি লৈঙাক্কীসু অপান্বনি হায়বসি মমাঙদসু ফোঙদোকখ্রে। মণিপুর লৈঙাক্কী চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দনসু হিরম অসিগী মতাংদা ...মখা লমায় ৫দা...

# বৃটিশকী দিভাইদ এন্দ রুল পোলিসি বি জে পি লৈঙাক্না মখা চখদুনা মণিপুর থুগায়বনিঃরাজিভ রাই

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৩(এস এন এস)ঃ বৃটিশকী লোইলম লৈঙাক মতমদা চখরম্বা দিভাইদ এন্দ রুল পোলিসি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা বি জে পি লৈঙাক অসিনা মখা চখদুনা মণিপুরবু মচেৎ তানা থুগায়বনি হায়না সমাজৱাদি পার্টিগী এম পি (লোক সভা) রাজিভ রাইনা মরাল শীখ্রে।

নুমিৎ নীনিগী খোঙচত্তা ঙসি ইম্ফালদা থুংলখিবা পার্টি অসিগী এম পি রাজিভ রাইনা তেরা লুক্রাম লৈরক্তা নৌনা শাবা লোয়রবা সমাজৱাদি পার্টি মণিপুর ষ্টেটকী ওফিস শঙ্গাদুনা মীয়ামদা খূৎশিন্নবগী থৌরমদা মহাক্না মখা তানা হায়, পার্লিয়ামেন্ট মীফমদা সমাজৱাদি পার্টি য়াওনা ওপোজিসনগী মায়কৈদগী মণিপুরগী ৱাফম পুখত্তুনা খন্ননবা কয়ারক হন্না হোৎনরবসু বি জে পিগী লৈঙাক অসিনা তাবীদে ...মখা লমায় ৫দা...

## খৎনবা খামজিনবা লৈঙাক্কী মথৌনি মদুনা মরাল ওইহনবদি য়ারোইঃশ্যাম

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৩(এস এন এস)ঃ মমা মপা ওইবশিংনা মচাশিং খৎনবদা ময়াইদা লেপ্পগা খামজিনবা হৌনশানি। মদুগা চপ মান্নবা ফুরুপ মশেল খৎনবদা লৈঙাক্না খামদোক্নবা হোৎনবা অসিসু লৈঙাক্কী মথৌনি, মদুনা বি জে পিদা মরাল শীবদি লানগনি হায়না লংথবাল এ সিগী এম এল এ করাম শ্যামনা ফোঙদোকখ্রে।

লংথবাল এ সিগী মনুং চনবা চজিং মাইরেনখোং কম্যুনিটি হোলদা চজিংনা কোনবা পোলিং ষ্টেসন ৮গী নুপীশিংগী নোংমগী ওইবা পোলিটিকেল দিস্কসনদা ৱা ঙাংলদুনা করাম শ্যামনা হায়, মচাশিং খৎনবদা নুংশি চান্ননা লৈনবা থেম্বা হায়বা অসি মমা মপা ওইবশিংগী লীচৎনি। মসিগুম ফুরুপ মশেলগী মরক্তা হাৎন শুনবা থোক্লকপদা থেমজিনবা হায়বসিসু মীয়ামগী মপী ...মখা লমায় ৫দা...

## দ্রাইভরশিংনা চখরম্বা ষ্টিয়রিং পায়দবগী খোঙজং হন্দোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৩(এস এন এস)ঃ পেট্রোলিয়ম প্রদক্ট পুবা দ্রাইভরশিংনা চঙশিল্লম্বা ষ্টিয়রিং পায়দবগী খোঙজং লৈঙাক্না য়ানবা পুরকপদগী হন্দোকখ্রে।

য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিল (য়ু এন সি)না কৌখিবা ইকোনোমিক ব্লোকেদতা খোঙজংলোইশিংনা নুঙনা থোমজিল্লকপদগী গাড়ীদা অকায় অতোয় থোকখিবা অমসুং দ্রাইভর কয়া শোকখিবা থৌদোক য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ওল মণিপুর পেট্রোলিয়ম প্রদক্ট দ্রাইভরস এসোসিয়েসন্না চখরকখিবা ষ্টিয়রিং পায়দবগী খোঙজং মণিপুর লৈঙাক্কী চীফ মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দনা তুংদা থোকহল্লোই হায়বগী থাজবা পীবগা লোয়নন্না ...মখা লমায় ৫দা...

## ফিভমসিদা ইং তপ্পা হঞ্জিন্নবা হোৎনবা অরাইবা নত্তেঃসি এম

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৩(এস এন এস)ঃ ষ্টেট অসিগী ওইরিবা ফিভম অসিদা ইং তপ্পা হঞ্জিল্লক্নবা হোৎনবা হায়বসি অরাইবা নত্তে। পূক্নিং ফাথদুনা চেকশিন্না থবক তৌবা মথৌ তাই হায়না চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দনা ফোঙদোকখ্রে।

সার্ভিস রিক্রেসন এন্দ ওর্গনাইজেসন ওফ য়ুথস (স্রোই)না শীন্দুনা শিংজমৈ থোঙাম লৈকাইদা পাঙথোকপা অহুম্লক শুবা শিংজমৈ কন্সটিট্যুয়েন্সি মেম্বর ওফ লেজিস্লেটিভ এসেমব্লি ট্রোফি ষ্টেট লেভেল ওপন চেছ টুর্নামেন্ট ২০২৬ লোইশিনবগী থৌরমদা ৱাফম অসি চীফ মিনিষ্টরনা ...মখা লমায় ৫দা...

## ১৯৫১দা বেজ ইয়ার ওইরগা এন আর সি অপদেট তৌফম থোকইঃ শশিভুষন

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৩(এস এন এস)ঃ কুমজা ১৯৫১দা বেজ ইয়ার ওইরগা মণিপুরদা এন আর সি অপদেট তৌফম থোকই। কোংগ্রেস খত্তুনা মণিপুরদা তংদু লৈতাবা পুরকপা ঙমগনি হায়না উরিপোক এসেমব্লি কন্সটিটুয়েন্সিদা মীরেপ ওইনবা থৌরাংলিবা লাইশ্রম শশিভুষননা ফোঙদোকখ্রে।

উরিপোক ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিনা শীন্দুনা ঙসি নাগমপাল শিংজুবুং লৈরক্তা পাঙথোকখিবা উরিপোক এ সিদা মীরেপ ওইনবা থৌরাংলিবা শশিভুষনবু শৌগত্তুনা কোংগ্রেস পার্টিদা নৌনা চঙলকপা মীওইশিংবু তরাম্না ওকপগী থৌরমদা ৱাফম অসি মহাক্না ফোঙদোকখিবনি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা লাইশ্রম শশিভুষননা পাউমীশিংদা হায়, মণিপুরগী লো এন্দ ওর্দর লৈঙাক্না মপুং ফানা ঙাকপা ঙমদবদা নত্তনা লো ...মখা লমায় ৫দা...

## এম য়ু সিদা মহৈরোই মশীং য়াম্না তম্বা সবজেক্ট থাঙ–তানা ওইরেঃসুরজিৎ

ইম্ফাল,সেপ্টেম্বর ১৩ (এস এন এস)ঃ মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর (এম য়ু সি)দা মহৈরোই মশীং খ্বাইদগী য়াম্না তম্বা অসি থাঙ–তানা ওইরে হায়না য়ুনিভর্সিটি অসিগী দিপ্যুটি রেজিষ্ট্রার ডাক্তর লৌরেম্বম সুরজিৎনা ফোঙদোকখ্রে।

ইম্ফাল ইষ্টকী ইরিলবুংদা লৈবা হুয়েন লাল্লোং মণিপুর থাঙ–তা কলচরেল এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা চখরকখিবা থাঙ–তাগী শরুক অমা ওইরিবা ‘থাঙবী ২৪’গী ৱার্কসোপ কম প্রদক্সন লোইশিনবগী থৌরমদা ৱাফম অসি মহাক্না ফোঙদোকখিবনি।

ঙসি ইরিলবুংদা লৈবা এসোসিয়েসন অসিগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখিবা চীফ মিনিষ্টরগী আর্টিষ্টশিংগী তেংবাঙ স্কিম মখাদা ...মখা লমায় ৫দা...

## য়ু সি সি চৎনহনগদৌরি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৩(এস এন এস)ঃ লৈবাক অসিদা বি জে পিগী লৈঙাক লৈবা ষ্টেটশিংদা লাক্লিবা চহী ২০২৯ দগী য়ুনিফোর্ম সিভিল কোদ (য়ু সি সি) চৎনহন্নবা থৌরাং অকন্নবা মওংদা পায়খৎপা হৌখ্রে হায়রি।

য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর আমিট সাহনা বি জে পিগী লৈঙাক লৈবা ষ্টেটশিংদা য়ু সি সি ২০২৯ দগী চৎনবা হৌরগনি হায়বগী খুদম চাংদম পীরকখিবনি। মসিগা লোয়ননা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) না ...মখা লমায় ৫দা...







# [illegible]

[illegible]





[illegible]

## [illegible]

[illegible]

## [illegible]

[illegible]





[illegible]

## [illegible]





[illegible]

## [illegible]

[illegible]

## [illegible]

[illegible]

## [illegible]



[illegible]


[illegible]

M/S BEE BRICK FIELD

Wangjing Sabal Checkon Leikai

HEAVY DISCOUNT

| Class | Rate | No. Of Bricks | Total Amount | Trns./Labour Charge (Rs.) | Total (Rs.) |
|---|---|---|---|---|---|
| 1st Class | 12.50 | 1,500 | 18,750 | 3,500 | 22,250 |
| | | 2,000 | 25,000 | 3,500 | 28,500 |
| 2nd Class | 12.00 | 1,500 | 18,000 | 3,500 | 21,500 |
| | | 2,000 | 24,000 | 3,500 | 27,500 |
| 1st Reject | 11.00 | 1,500 | 16,500 | 3,500 | 20,000 |
| | | 2,000 | 22,000 | 3,500 | 25,500 |
| Jhamat | 10.00 | 1,500 | 15,000 | 3,500 | 18,500 |
| | | 2,000 | 20,000 | 3,500 | 23,500 |
| 1st P.T. | 9.00 | 1,500 | 13,500 | 3,500 | 17,000 |
| | | 2,000 | 18,000 | 3,500 | 21,500 |
| 2nd P.T. | 8.00 | 1,500 | 12,000 | 3,500 | 15,500 |
| | | 2,000 | 16,000 | 3,500 | 19,500 |
| 3rd Class | 5.50 | 1,500 | 8,250 | 3,500 | 11,750 |
| | | 2,000 | 11,000 | 3,500 | 14,500 |
| 4th Class | 4.00 | 1,500 | 6,000 | 3,500 | 9,500 |
| | | 2,000 | 8,000 | 3,500 | 11,500 |
| 1st Checktek 407 | | | 4,500 | 3,500 | 8,000 |

Please Contact:
7005513073 / 9366988039

– SL/Sush/6 Sep-6 Oct/alt


## ঙসিগী রাষি ফল (১৪–০৯–২০২৬)

ইবোপিশক নিংথৌজা (এৱার্দি)

*এষ্ট্রো এণ্ড পালমিষ্ট, পাউনা বাজার, ইম্ফাল*

**মেষঃ** হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎলগনি। থবক খরদি পাঙথোক্লগনি। মরুপ মফম পাক চাওরগনি। শেল ফংবা পোৎ মচা মচা লৈবা য়াবা ওইরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – ৱারৌনগনি।
মহৈরোয়শিংগী – ৱাখল চঙলোই।

**বৃষঃ** হোৎনজমন কান্নবা ফংলগনি। চাংয়েংনবদা মায় পাকচবা, মীনা চানবিবা, চখোক চৎশিন্দা খুদোংচাবা থেংনবা ওইরগনি। শান্তি লৈরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মত চান্নগনি।
মহৈরোয়শিংগী – হোৎননিংগনি।

**মিথুনঃ** চরক চহিং নাইবা মরক্তা থৌরমদি পাঙথোক্লগনি। শেল খরা ফংবা, মরুপ মফম ফগৎপা, মিংচৎ হেনগৎপা ওইরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – লৌ তৌনগনি।
মহৈরোয়শিংগী – চরাংনগনি।

**কর্কটঃ** হৈ শিংনা হোৎনজগনি। মসিনা অফবা ওইরগনি। য়েংশিনবা য়াল্লগনি। শাগৈনা য়েংথিগনি। শেল পীথোক পীশিন্দা চেকশিল্লু।
পাখং লৈশাবীশিংগী – ৱাখল মান্নরোই।
মহৈরোয়শিংগী – হোৎননিংলোই।

**সিংহঃ** থবক্তা চয়েৎনবা, তোখাই তাননবা শীল্লকপা, শেল ফংবা চৎপা মান্নবা, কল্লকপা হেনগৎপা ওইরগনি। ইমুংদা চরাংনগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মত খেন্নগনি।
মহৈরোইশিংগী – বুদ্ধি থোক্লোই।

**কন্যাঃ** অরুবা থবক মায় পাকচবা, শেল ফংবা, পোৎ লৈবা য়াবা, শাগৈনা চানবিবা, চখোক চৎশিন্দা খুদোং চাবা, শান্তি লৈবা ওইরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – ৱাখল মান্নগনি।
মহৈরোয়শিংগী – লৌশিং হেনগৎলগনি।

**তুলাঃ** হোৎনজমন কান্নবা, মরুপ মফম ফগৎপা, অথাপ্পা চৎপা, মী লোয়নবা কান্নবা ফংবা, মতেং পীবিবা হেনগৎপা ওইরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – অমত্তা ওইরগনি।
মহৈরোইশিংগী – হোৎননিংগনি।

**বৃশ্চিকঃ** খল্লুদবা পামদবা থেংনবা, তোখাই তাবা ওইরগনি। শেল পীথোক পীশিন্দা হৈ শিংগনি। মীগী মতেং তৌরুদবা ফগনি। ইমুংদা চরাংনগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মত খেন্নগনি।
মহৈরোইশিংগী – ৱাখল চঙলোই।

**ধনুঃ** চাওখৎপা ফগৎপা, থবক খরা পাঙথোকপা, মরুপ মফম পাক চাওখৎপা, অনৌবা পোৎ লৈবা য়াবা, চখোক চৎশিন্দা খুদোংচাবা থেংনবা ওইরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – নুংশিনগনি।
মহৈরোয়শিংগী– লৌশিং হেনগৎলগনি।

**মকরঃ** ৱাখল লাঙবা অমা নৎত্রগা অমা খনবা, তোখাই তাবা, মীচং শোন্থবা ওইরগনি। থবক মচা মচাদি পাঙথোক্লগনি। ইমুংদা মত খেন্নগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – ৱারৌনগনি।
মহৈরোয়শিংগী – হোৎননিংলোই।

**কুম্ভঃ** চেকশিন্না হোৎনজবতনা অফবা ফল ফংলগনি। মকোক ওইবা লুচিংবশিং, লমলানবশিংনা চানবিরগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মত চান্নগনি।
মহৈরোয়শিংগী – লৌশিং হেনগৎলগনি।

**মীনঃ** হৈ শিংনা থবক তৌগনি। মতেং পীবিবা য়াল্লগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি। মরুপ মফম ফগৎপা, শীংথাবিবদা য়াওবা ওইরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী– অমত্তা ওইরগনি।
মহৈরোয়শিংগী – বুদ্ধি চাওখৎলগনি।

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 9 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1078**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | | | | 8 | | 2 | | 6 |
| 6 | 4 | | | | 2 | | 9 | |
| | 9 | | | 6 | | 1 | 8 | |
| | | 6 | 7 | | | 9 | | 8 |
| 2 | | 9 | 1 | | | 6 | | |
| 7 | | 1 | | 9 | | 4 | | |
| | | 5 | 2 | | 6 | | | 9 |
| | 6 | | | 4 | 1 | | 2 | |
| | 2 | | 9 | | | 7 | | |

সনা–সুদোকু–১০৭৮গী সোল্যুসন লমাই ৭দা

# ১৮শুবা ব্রিক্স সম্মিট ২০২৬

## মোদি: মরুওইবা মিনরেলশিংবু খূৎলাই ওইনা শিজিন্নবনা অপনবা কয়া পীরকপা য়াই




ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১৩ (এজেন্সি):
তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংনা চাওখৎপগী লম্বীদা অমত্তা ওইনা চং শিল্লিবা অসিদা করিগুম্বা মরুওইবা মিনরেলশিংবু খূৎলাই ওইনা শিজি ন্নরক্লবদি অপনবা পীরকপা য়াবগী ওইথোকপা চাওনা লৈ। মালেমদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিং দগী পীরক্লিবা তোঙান তোঙানবা চৈথেং অসি ব্রিক্স লৈবাকশিংনা অমত্তা ওইনা লেপমিন্নদুনা থেংনমিন্নবা মথৌ তাই হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখিবা ব্রিক্স সম্মিটকী হুন্নি চনবা নুমিৎতা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মখাতানা হায়, ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগা অমত্তা ওইনা চৎমিন্নদুনা চাওখৎপগী লম্বীদা চংশিন্নবা পান্দম থল্লগা থবক তৌদুনা লাক্লি।

টেক্নোলোজি, মরুওইবা মিনরেল কয়ানা চাওখৎপগী লম্বীদা চংশিল্লিবা অসিদা অপনবা থোকহন্দনবা হোৎনগদবনি।

তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংনা চাওখৎপগী লম্বীদা চংশিন্নবা হোৎনবদা ষ্ট্রেটেজিক রিছোর্স অমদি টেক্নোলোজিশিংবু খূৎলাই ওইনা শিজিন্নবগী অকায়বা লৈতে। অদুবু টেক্নোলোজি অমদি মরুওইবা মিনরেলশিংনা চাওখৎপগী থবক্তা অয়েৎপা পীদনবা ঐখোয় খুদিংমক্না হোৎনগদবনি।

ব্রিক্সকী মনুং চনবা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগী মরক্তা লৈরিবা মরী অসি শুন্নতগী লৈঙাকশিংগী মরক্তা লৈনবা মরী অদুদগী হেন্দোক্লুনা এন্টরপ্রেনোর, ফার্মর, রিছার্চর, ৱুমেন য়ুথ অমসুং মীচম মীয়ামগী মরক্তা নৌনা মরী অমা শেমদুনা ব্রিক্স লৈবাকশিংবু অমুক্কা হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহনবা মথৌ তাই হায়নসু ফোঙদোকখি।


## পুটিন: অনৌবা ইন্স্যুরেন্সকী মখাদা মার্কেট পাকথোক চাওথোকহনবা মথৌ তাই



ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১৩ (এজেন্সি): রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিননা মালেমগী মায়কৈ কয়াদগী পীরক্লিবা চানা থক্লবা লল্লোন ইতিক্কা মরী লৈনবা চৈথেং অসিবু মায় পাক্লা থেংননবা অনৌবা ন্যু ইন্স্যুরেন্স মেকানিজম অমসুং অপূনবা ইনিসিয়েটিব অমগী মখাদা ব্রিক্স লৈবাকশিংগী লৈরিবা চান থক্লবগা মরীলৈনবা লল্লোন ইতিক্কী থবক অসি পাকথোক চাওথোক্তুনা খূমাঙ য়াংশিন্না চংশিনবা মথৌ তারে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

য়ুক্রেনদা রসিয়াগী মায়কৈদগী চত্থরিবা লান অসিবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা তোঙান তোঙানবা ৱেষ্টর্ন কন্ট্রিশিংনা থল্লক্লিবা ইকোনোমিগা মরী লৈনবা অথিংবা অসিনা মরম ওইরগা রসিয়াগী প্রসিদেন্ট পুটিননা ব্রিক্স সম্মিটতা ফোঙদোকখিবনি। ব্রিক্স সম্মিট অদুদা প্রসিদেন্ট পুটিননা মখা তানা হায়, ব্রিক্স লৈবাকশিংগী মশাগী ওইবা কেপিটেল, লেবর এন্দ টেক্নোলোজি অসি কনাগুম্বা অমত্তগী অয়াবা য়াওদনা থবক তৌবা ঙম্বগী পাঙ্গল চপ চানা লৈ। অথুবা মতমদা অনৌবা মেকানিজম অমগী মখাদা চান থক্লবগী মার্কেট অসি চাওথোক্লবা ব্রিক্স সম্মিটতা শরুক য়ারিবা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদা রসিয়াগী মায়কৈদগী অপিল তৌরি হায়নসু ফোঙদোকখি।

## জিনপিং: চৎন-পথাপ লৈতবা অসি ট্রাফিক লাইট য়াওদবা ক্রোস রোদকা পাঙ্খকনি



ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১৩ (এজেন্সি):
চৎনা পথাপ লৈতবা মালেম হায়বা অসি ট্রাফিক লাইট য়াওদবা ক্রোস রোদ অমগা পাঙ্খকনি। চৎন পথাপ লৈত্রবদি চরাংনবা অমদি খুদোঙথিনিংঙাই ওইবা থৌদোক ৱাথোকশিং থোকপা হায়বা অসি শোয়দ্রবা ৱাফম অমনি। মীচং মীখায় নাইদনা অচুম্বা ৱায়েল চত্থবা হায়বা অসি মালেমগী ওইনা অপাম্বনি। মালেমগী ওইনা লৈরিবা ইন্টরনেসনেল লো অসি লৈবাক খুদিংমক্না ঙাক্লা চৎকদবনি হায়না চাইনাগী প্রসিদেন্ট সি জিনপিংনা ফোঙদোকখ্রে।

১৮শুবা ব্রিক্স সম্মিটতা শরুক য়ারদুনা সি জিনপিংনা হায়, মালেমদা থোক্লিবা তোঙান তোঙানবা কনফ্লীকশিং অসি ইন্টরনেসনেল লোগী মতুং ইন্না মীচং মীখায় নাইদনা ৱায়েল চত্থবা মথৌ তাই।

পীকপা চাওবা থিদনা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিং অসিবু চপ মান্নবা মীৎয়েং য়েংদুনা ইন্টরনেসনেল লোনা পীরিবা খুদোঙচাবা খুদিংমক চপ মান্ননা ফংমিন্নবা মথৌ তাই। মালেমগী খা থংবদা লৈরিবা লৈবাকশিংনা মল্টিলেটেরেলিজম বেনরগী মখাদা রিফোর্ম অমদি ইফিসিয়েন্সি লৈনা থবক তৌগদবনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## ঈশিং ঈচাওনা শোকহল্লবা নেপালগী কনেক্টিভিটি নৌনা শেমগৎনবা ভেলি ব্রিজকী মচাকশিং ইন্দিয়ানা মতেং পাঙখ্রে

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১৩ (এজেন্সি):
হৌখিবা ওগষ্ট ২৬তা খঙহৌদনা থোক্লকখিবা ঈশিং ঈচাওনা কনেক্টিভিটিগা মরী লৈননা য়ান্না চাওনা চৈথেং মায়োক্লরিবা নেপালগী বেত্রাৱাতি এরিয়াদা মিটর ৭০ শাংবা ভেলি ব্রিজ অমা নৌনা শান্নবগীদমক মথৌতাবা মচাক মথুমশিং ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী নেপালদা মতেং পাঙখ্রে।

নেপালদা ইন্দিয়াগী এম্বেসেদর ওইনা লৈরিবা নবীন শ্রীবাষ্টবনা মহাক্কী ওফিসিয়েল এক্স একাউন্টদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা নেপালগী বেত্রাৱাতি এরিয়াগী মনুং চনবা হেতাওদা মিটর ৭০ শাংবা ভেলি ব্রিজ অমা নৌনা শানবগীদমক মথৌতাবা মচাক মথুমশিং নেপাল রোদ দিভিজনদা খূৎশিন্নখ্রে।

লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসিগী মনুংদা নেপালদা মায়োক্লরিবা কনেক্টিভিটিগা মরী লৈনবা চৈথেং শিং অসি কোকহন্নবগী পান্দমদা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মায়কৈদগী অহেনবা ভেলি ব্রিজ শান্নবগী মথৌতাবা মচাক মথুমশিং মতেং পাংবগী থবক চত্থখিগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।





ওগষ্ট থাগী অরোইবা চয়োলদা নেপালদা থোকখিবা খঙহৌদবা ঈশিং ঈচাও অদুদা মীওই ১,৪০০ রোম লৈখিদ্রে। অদুগা মীওই ৫,০০০ হেন্না হৌজিক ফাওবা থিবা খঙদনা লৈরি।

ঈশিং ঈচাওনা মরম ওইরগা য়াল্লবা লন-থুম মাঙহন তাকহনখ্রবা নেপালদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী হ্যুমেনিটরিয়ান ওইনা মতেং পাংবগী থবক লেপ্তনা চত্থদুনা লাক্লি। ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী রিলিফ মেটরিয়েল টোন ১৩০ হেন্না মতেং পাঙখিবগী মথক্তা নেপালদা চত্থরিবা রেস্ক্যু, রিলিফ অমদি ফোরেন্সিক ওপরেসনদা মতেং পাংনবগীদমক ইন্দিয়া লৈঙাক্না মরীলৈনবা এক্সপার্ট ৫৪ থাদুনা নেপালদা হৌজিক হৌজিক থবক তৌদুনা লৈরিবনি।

## মতমগী মতুং ইন্না ইন্দিয়াদা মথোন কয়া লোংবা ফ্লাইওভর কয়া নৌনা শাবা মথৌ তারে: নিতিন গদকারি

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১৩ (এজেন্সি):
নোংমা নোংমগী মীশিং য়ামখৎলকপগা লোয়ননা চত্থোক চৎশিনদা মীয়াম্না থেংনরিবা খুদোঙচাদবশিং অসিনা মরম ওইরগা মতমগা চুনবা মথোল কয়া লোংবা ফ্লাইওভর কয়া লৈবাক অসিদা শাবা মথৌ তারে হায়না য়ুনিয়ন ট্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৱে মিনিষ্টর নিতিন গদকারিনা ফোঙদোকখ্রে।

ইন্দো-আমেরিকান চেম্বর ওফ কম্মর্সনা শিন্দুনা মুম্বাইদা পাঙথোকপা ২২শুবা ইন্দো-আমেরিকান কোর্পোরেট এক্সলেন্স এৱার্ততা মরুওইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়ারদুনা নিতিন গদকারিনা হায়, ইন্দিয়াগী লৈরিবা রোদ টেক্নোলোজি অসি মমাঙঙৈগা চাং দম্নরুবদা অদুক্কী মতিক খেন্নবা কয়া লৈরে। চহী কয়াগী মমাঙদগী লৈরক্লবা অরিবা ফ্লাইওভর কয়া থুগাইদুনা মতমগা চুন্নবা টেক্নোলোজি শিজিন্নদুনা অমুক হন্না শেমগৎ শাগৎপা মথৌ তাই।


লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মী কুংনা তাবা সিটিশিংদা পূন্না লুপা ক্রোর ৫০,০০০ থাদদুনা ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিভলপমেন্টগা মরী লৈনবা অনৌবা প্রোজেক্ট কয়া শেমগৎ শাগৎনবা থৌরাং তৌরি।

মলেসিয়াদা চপ মান্নবা পিলরনা শৌগৎপা মথোল কয়া লোংবা ফ্লাইওভর কয়া নিংশিং লদুনা নিতিন গদকারিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ইন্দিয়াদসু মলেসিয়াদা শিজিন্নরিবা ফ্লাইওভর শাবগী টেক্নোলোজিশিং অদু শিজিন্নদুনা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা লৈকং থোং অমদি মেট্রো লাইন কয়া তেল্লবা মতমগী মনুংদা শেমগৎ শাগৎপা ঙমগনি। হায়রিবা টেক্নোলোজি অসিনা মী কুংনা তাবা মফমশিংদা তেল্লবা মতমগী মনুংদা কনষ্ট্রকসনগা মরী লৈনবা তোঙান তোঙানবা মখলগী শেমগৎ শাগৎপগী থবক চত্থবা য়াগনি হায়না ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়া অমদি য়ু এসকী মরক্তা টেক্নোলোজি, রিছার্স অমসুং ইনোভেসনগী মতাংদা পূন্না থবক তৌমিন্নরি হায়না পল্লদুনা ইন্দিয়াগী লৈরিবা টেলেন্টশিং অসি শিজিন্নদুনা অমদি য়ু এসকা অমত্তা ওইনা থবক তৌমিন্নবগী খুদোঙচাবা লৌদুনা দিফেন্স, এগ্রীকলচর অমসুং ইন্দষ্ট্রিয়েল সেক্টর কয়া মায় পাক্লা থবক তৌবা য়াবগী ওইথোকপা চাওনা লৈ।

অসিদা নৎতনা ওটোমোবাইল ইন্দষ্ট্রিজগী লমদা ইন্দিয়া অমদি য়ু এসনা মায় পাক্লা থবক তৌনবা মরীলৈনবা ওথোরিটিগী মায়কৈদগী পান্দম থল্লি। লৈবাক অসিদা ওটোমোবাইল ইন্দষ্ট্রিজ লেপ্তনা চাওখৎলকপগা ইরোইননা পব্লিক ট্রান্সপোর্ট সেক্টরদসু অহোংবা কয়া লাক্লে হায়না নিতিন গদকারিনা মখা তাখি।

## Crossword # 1143



Across
1. Barking sounds
5. Highway entrances
10. Compensated
14. Defeat
15. Thinker ____ Newton
16. Southern veggie
17. Vocalist ____ Fitzgerald
18. Excessive use of power
20. Exams
22. TV attachment
23. Beer mug
24. Bus patron
26. "Scarface" gangster
28. Encouraged
33. Watering place
36. Goad
37. Happy one
38. Intentions
40. Pedro's friend
42. Sandwich store
43. Rock band ____ Dan
45. Staff member
47. Psychic ability (abbr.)
48. December visitor
49. Away from the coast
51. Panama ____
53. Fender dimples
57. Point winners
61. Frighten
62. Margaret Cho, e.g.
66. Bakery hot spot
67. Uncork
68. Directional symbol
69. Poor grades
70. Minister to
71. Theater platform
72. Additional

Down
1. Helps a crook
2. Leased again
3. Quiz choice
4. Radio noise
5. Mexican waterway
6. Poisonous snake
7. Atlas chart
8. Formal procession
9. Setting
10. Stance
11. Related
12. Wrinkle remover
13. Comedian ____ Carvey
19. Stroke a guitar
21. Break sharply
24. Space
25. Illinois' neighbor
27. Entreat
29. Disencumber
30. Happiness
31. Elongated fish
32. Leak
33. Fresh talk
34. Pocket bread
35. Prayer ending
37. Fizzy drink
39. Put down
41. Fish feature
44. Fastened shoestrings
46. Purposes
49. Put in
50. Decipher
52. Operatic melodies
54. ____ orange
55. Orchard members
56. Feel
57. Aberdeen native
58. Manage
59. Harbinger
60. Rip apart
63. Gun lobby (abbr.)
64. Yule drink
65. She-sheep


পাউখুম লমায় ৭দা ...

## বিন লাদেননা ইন্দিয়াদা এটেক চত্থনবা থৌরাং তৌরম্মি হায়না সি আই এনা ফোঙদোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১৩ (এজেন্সি):
হৌখিবা চহী ২০০১গী সেপ্টেম্বর ১১দা মতমদুগী অলকায়দাগী চীফ ওসমাবিন্দ লাদেননা য়ু এসকী ৱার্ল্ড ট্রেদ সেন্টরদা এটেক চত্থদ্রিঙৈ ১৯৯৮তা ইন্দিয়া য়াওনা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদা এটেক চত্থনবা থৌরাং তৌরমখি হায়না য়ু এসকী সেন্ট্রেল ইন্টিলিজেন্টস এজেন্সি (সি আই এ)না ফোঙদোকখ্রে।

হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা সি আই এগী মায়কৈদগী লমায় ১০০ হেন্না পানবা বিন লাদেন অমদি মহাক্কী টেরোরিষ্ট নেটৱার্ককা মরী লৈনবা প্রসিদেন্সিয়েল ইন্টিলিজেন্টস রিপোর্ট কয়া য়াওবা দোকুমেন্ট অমা রিলিজ তৌবদা ১৯৯৮তা বিন লাদেননা ইন্দিয়াদা টেরর এটেক চত্থনবা থৌরাং তৌরমখি হায়না য়াওরকখিবনি।

২০০১গী সেপ্টেম্বর ১১দা বিন লাদেননা ৱার্ল্ড ট্রেদ সেন্টর থুগাইদুনা টেরর এটেক চত্থরকখিবা চহী ২৫ ফাবগা মরী লৈননা সি আই এনা হায়রিবা দোকুমেন্ট অসি রিলিজ তৌখিবনি।



দোকুমেন্ট অদুগী মতুং ইন্না ইন্দিয়া য়াওনা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদা ১৯৯৮কী ওগষ্ট ২৮দা বিন লাদেননা টেরর এটেক চত্থনবা থৌরাং তৌরমখি।

বিন লাদেননা টেরর এটেক চত্থনবা থৌরাং তৌরক্লিবা লৈবাকশিং অদুগী মনুংদা পাকিষ্টান, ইজিপ্ট, কুৱেদ, সাউদি অরাবিয়া, য়েমেন, য়ুগন্দা অমসুং নাইজেরিয়াসু য়াওই।

অদুবু দোকুমেন্ট অদুদা ইন্দিয়া খক্তদা বিন লাদেননা টেরর এটেক চত্থনবা থৌরাং তৌরম্মি হায়বদি য়াওদে। অসিদা নৎতনা করম্বা নুমিৎতা ইন্দিয়াগী করম্বা মফমদা টেরর এটেক চত্থনবা থৌরাং তৌরম্মি হায়বা অদু য়াদবতা নৎতনা করম্বা ইন্টিলিজেন্টস রিপোর্টতা য়ূমফম ওইরগা বিন লাদেননা ইন্দিয়াদা টেরর এটেক চত্থনবা থৌরাং তৌরম্মি হায়না রিপোর্ট তৌরিবনো হায়বা অদুসু ময়েক শেংনা পন্দে।

অমরোমদা য়ু এসতা এটেক চত্থবা ঙম্মি হায়বা তাক্লনবা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদা বিন লাদেননা টেরর এটেক চত্থনবা থৌরাং তৌরম্বা ওইগনি হায়নসু তোঙান তোঙানবা ন্যুজ এজেন্সিশিংনা রিপোর্ট তৌরক্লি।

### সনা-সুদোকু-১০৭৮গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | 7 | 3 | 4 | 8 | 9 | 2 | 5 | 6 |
| 6 | 4 | 8 | 5 | 1 | 2 | 3 | 9 | 7 |
| 5 | 9 | 2 | 3 | 6 | 7 | 1 | 8 | 4 |
| 4 | 3 | 6 | 7 | 2 | 5 | 9 | 1 | 8 |
| 2 | 8 | 9 | 1 | 3 | 4 | 6 | 7 | 5 |
| 7 | 5 | 1 | 6 | 9 | 8 | 4 | 3 | 2 |
| 3 | 1 | 5 | 2 | 7 | 6 | 8 | 4 | 9 |
| 9 | 6 | 7 | 8 | 4 | 1 | 5 | 2 | 3 |
| 8 | 2 | 4 | 9 | 5 | 3 | 7 | 6 | 1 |






## বিহার: মৈ লাক্তবদগী ফোনগী টোর্চ থান্দুনা অঙাং উন্নবগী ওপরেসন চত্থখ্রে

পটনা, সেপ্টেম্বর ১৩ (এজেন্সি):
হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা বিহারগী জম্যুই সদার হোস্পিটালদা অঙাং উন্নবগী ওপরেসন চত্থরিঙৈ চৈরক্তা মৈ মুৎখিবদগী মোবাইল ফোনগী টোর্চলাইট থান্দুনা ওপরেসন চত্থখ্রে।

তোঙান তোঙানবা ন্যুজ রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না পুজা কুমারি অমদি অঞ্জানি কুমারি কৌবী অঙাং উন্ননবা ঙায়দুনা লৈরিবী পেসেন্ট ২ মেটর্নিটি ৱার্দতগী ওপরেসন থিয়েটরদা পুশিন্দুনা অঙাং উন্নবগী ওপরেসন চত্থরিঙৈ চৈরক্তা খঙহৌদনা মৈ মুৎখি। হোস্পিটালগী লৈরিবা জেনরেটর য়াদবদগী তঙাইফদনা মোবাইল ফোনগী ফ্লাসলাইট থান্দুনা মিদিকেল টিমনা ওপসেন চত্থখি হায়না ওপরেসন অদুবু লুচিংখিবা ডোক্টর অমনা ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা মিদিকেল টিম অদুদা শরুক য়াবা ডোক্টর সলিনি কুমারি, ডোক্টর রাঘুনন্দন অমদি ওটি এসিষ্টেন্ট অমিত কুমারনা সিভিল সর্জন অমসুং হোস্পিটাল সুপরিন্টেন্দেন্টদা রিপোর্ট তৌখ্রে হায়রি।

নাকল অমরোমদা তোঙান তোঙানবা সোসিয়েল মেদিয়াদা থৌদোক অসিগী মতাংদা ভিদিও অমা ভাইরেল ওইরকপদগী মীয়ান্না খঙনরক্তুনা হোস্পিটাল ওথোরিটি অমদি বিহার লৈঙাক্কী মথক্তা পেন্দবা, শাওনিংবা লেপ্তনা ফোঙদোক্লরক্লি।



## হু চেনবা য়ু থকপদা মীওই ৯ লৈখিদ্রে

কোহিমা, সেপ্টেম্বর ১৩ (এজেন্সি):
ময়াক কনবা হু চেনবা য়ু থক্লবদগী নাগালেন্দদা মীওই ৯ লৈখিদ্রে হায়না তুইংশাংদা লৈবা সিভিল হোস্পিটালগী মায়কৈদগী রিপোর্ট তৌরকখ্রবা মতুং নাগালেন্দ পুলিসনা রেদ এলার্ট লাউথোকখ্রে।

নাগালেন্দ পুলিসকী দি জি পি রুবিন্দ শর্মনা তুইংসাং দিষ্ট্রিক্তা লৈবা সিভিল হোস্পিটালগী মায়কৈদগী থৌরক্লিবা রিপোর্ট অসি নুংশা থিনিংঙাই অমনি। লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদু হু চেনবা য়ু থক্লবদগীনি হায়না চিংনরি। অদুবু লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদু মতৌ করন্না লৈখিদবনো হায়বা অদু খঙনবগীদমক ইনভেষ্টিগেসনগী থবক চত্থরি হায়না ফোঙদোরক্লি।

দি জি পিনা থোকখিবা এদভাইজরি অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মোন, মোকোকচুং, তুইংশাং, লোংলেং, কিফায়রে, সামাটোর অমদি নোক্লক দিষ্ট্রিক্তা লৈবা মীওইশিংনা য়ু থক্তনবা খঙহনবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবা মীওই ৯ অদু মতৌ করন্না লৈখিদবনো হায়বা অদুগী অচুম্বা রিপোর্ট অমা ফংদ্রিবা ফাওবা অতোপ্পা দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈরিবা মীওইশিংনসু নাগালেন্দ পুলিসনা য়ু থক্তনবা মীয়ামদা আপিল তৌরক্লিবা অসিদা শৌগৎনবসু মখা তানা আপিল তৌরক্লি।

## কেস ২৩,০০০ দিস্পোজ তৌখ্রে

শ্রীনগর, সেপ্টেম্বর ১৩ (এজেন্সি):
চহী অসিগী ওইনা জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা পাঙখোকখিবা অহুল্লক শুবা নেসনেল লোক অদালততা তোঙান তোঙানবা কেস ২৩,০০০ মায় পাক্লা দিস্পোজ তৌখিবগা লোয়ননা লুপা ক্রোর ১৭৬কী শেনফম সেট্ল তৌখ্রে হায়না জে এন্দ কে লৈঙাক্কী মায়কৈদগী থোকপা ওফিসিয়েল ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।

পনবা য়াবদি ৩শুবা নেসনেল লোক অদালত অসি লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদসু পাঙথোক্লখি।


# WANTED PARTNERSHIP INVESTORS

Since 2012 dagi Registered touraga leijaraba Machinery Sales toujaba business firm amani. Handak ki fresh season asigi oina order masing khara yamna leiba maramna eigi hana akaknaba oina toujabanina, machine sing ashi eigi own capacity da chensinnaba hotnabada shortage leiba maramna, kanagumba kanagumbi sen thadharaga profit sharing 50/50 ratio da chap manana share touminaningba leiragadi, henna akuppa marol gidamak makhada pijariba no.asida pao faobirakpa yagani. Geniunely partnership agreement hana tougani aduga makha taba step follow tougani....

Interested Investors Enquiry through Phone Calls only

Contact Us 87942 28735



SL/KK

